# মিরুটতা কবোকৈ অমনা মীওই ৭ শোকহনখ্রে

***মিরুট, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ*** মিরুট সহরদা চংশিল্লকপা কবোকৈ অমনা পুলিস ওফিসার অমা য়াওনা মীওই ৭ শোকহনখ্রে। লোয়ননা সহর অদুদা অকি–অখং থোকহল্লে হায়রি।

সহর অদুদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদগী হায় এলার্ট লাউথোকখিবগা লোয়ননা কবোকৈ অদু ফাননবা হোৎনরি। কবোকৈ অদু সহর অদুদা লৈবা কেন্টোনমেন্ট হোস্পিতাল অমদা চংশিল্লকখিবগা লোয়ননা কা অমদা লৈখি। অদুম ওইনমক কবোকৈ অদু ৱাইল্ড লাইফ এক্সপার্টশিংনা কন্নবা চংশিল্লকপদা নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা কবোকৈ অদু সদার লমদমদা লৈবা টিম্বর শোপ অমদা কবোকৈ অদু লৈবা উখি। মদুগী মতুংদা কৈ অদুনা কেন্টোনমেন্ট হোস্পিতালদা চংশিল্লকখিবগা লোয়ননা মীওই খরা অশোক–অপন নংহনখি। কবোকৈ অদু হোস্পিতাল অদুগী কা অমদা চংশিনখিবদগী থোঙ লোনশিন্দুনা থমখি। লাম্নীগী জৱান অমসুং পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফিভম অদু য়েংশিন্দুনা লৈখি। কৈ অদুবু পংথহন্দুনা ফাননবগীদমক অফজালগরদা লৈবা ৱাইল্ড লাইফ এক্সপার্টশিং কৌখি। তুংদা কবোকৈ অদুনা কা অদুগী থোংনাও থুগায়দুনা নাম্থোকখি হায়রি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা অবুলেন মার্কেটকী কম্মর্সিয়েল কমপ্লেক্স অমদা লৈবা মীয়াম্না উখি। মীয়াম অদুনা পুলিস্তা পাউ অদু পীখি। পাউ ফংলবা মতুং ৱাইল্ড লাইফকী এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা কৈ অদুবু পংথহন্দুনা ফাননবা চংশিনখি হায়না দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার সুসান্ট শর্ম্মনা ফোংদোরক্লি।

সদার পুলিস ষ্টেসনগী হাউস ওফিসার অমা য়াওনা মীওই ৭ কবোকৈ অদুনা শোকহনখি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা গজেন্দ্রপাল কৌবা মীওই অমা কা হেন্না শোকপদগী মফম তরেৎ থোক্লা ফোৎখি হায়রি। অদুগা অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা কা হেন্না শোকখিদে।

সেনিয়ার সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওনকার সিংহনা শা অদুগী মনাক্তা মীয়াম নকশিন্দনবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক মীওই কয়ানা য়েংনিংবগা লোয়ননা শা অদুগী মনাক্তা চংশিল্লুবদগী এটেক চত্থরক্তুনা মীওইশিং অদু শোকহনখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা লৈবা স্কুল, কলেজশিং থোঙ লোনখ্রে। অদুম ওইনমক আই সি এস ই বোর্দকী পরিক্ষা থাগদবা ছাত্রশিংগী ওইনা অখন্নবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়রি। সদার লমদমদা লৈবা দুকান অয়াম্বা থোঙ লোন্নখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেটনা কবোকৈ অদু ফাদ্রিবা ফাওবা লমদম অদুদা হায় এলার্ট লাউথোকখ্রে। চুলহাচৌলা রেষ্টুরেন্টকী মপু সাসি অগরৱালনা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী মীওইশিংনা অবুলেন মার্কেট লমদমদা নাম্থোরক্লবা কবোকৈ অদু উখি হায়রি।

---

# রাজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকপগী মতাংদা সেন্টরগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টতা শিংনগনি ঃ জয়াললিথা

***চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ*** ওল ইন্দিয়া অনা দ্রাবিদা মুনেদ্রা কজাগম (এআইএ দি এম কে) গী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং টামিল নাদুগী চিফ মিনিষ্টর জয়াললিথানা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা, ষ্টেট সরকারনা রজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মীওই মরি থাদোকখিনবা ৱারেপকী মতাংদা সেন্টরনা হায়রকখিবা ৱাফম অদু সুপ্রিম কোর্টতা শিংনগনি হায়রি।

ৱাফম অদু সুপ্রিম কোর্টতা শিংনগনি লোয়ননা মখা তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না লুচিংবী অদুনা মহাক্কী ৬৬ শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা পার্টি অদুগী হেদ ক্বার্টরদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোংদোকখ্রে।


 জয়াললিথানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সেন্টরনা হিরম অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা পিটিসন অমা থাঙ্গৎখিবা অদু খঙই। সরকার অদুনা মঙোন্দা হান্নবা অইবা চেরোল অমা পীরত্তুনা খঙহল্লকখি। মদুদা মখোয়না পিটিসন অমা ফাইল তৌরগনি হায়না ফোংদোরকখি হায়রি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী চিফ জষ্টিস পি সথা সিভমনা মমাং চয়োলদা রজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহুমদা পীবা শিবগী দন্দি অদু মীওইশিং অদুনা মার্সি পেটিসন থাবদা চহি ১১ থেংথহনখিবগা মরী লৈননা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাবগী দন্দিদা ওন্থোকখিবনি।

বেঞ্চ অদুনা টামিল নাদু সরকারগী খুত্তা লৈবা বন্দিশিংগী দন্দি হন্থহনবগী শক্তি অদু য়াই। ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪৩২ গী মতুং ইন্না ষ্টেট সরকারদা বন্দিশিংগী দন্দি হন্থহনবগী শক্তি লৈ হায়রি। জয়াললিথানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা বন্দিশিং অদু থাদোকখিনবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎকনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনবা অরুবা ৱাফমশিংদি মেদিয়াশিংদা ফোংদোকখিরোই হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

সরকারনা অদুনা মখোয়না পাংথোকপা পাম্লিবা থবক থৌরমশিং অদু সরকার অদুগী কাউন্সিলগী খুত্থাংদা কোর্ট অদুদা ফোংদোক্কনি হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা রজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহুম শিবগী দন্দিদগী মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাবগী দন্দিদা ওন্থোকখ্রবা নোংমা কোনবদা টামিল নাদু কেবিনেট মীফম্না মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওই ৭ মক থাদোকখিনবা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদুগী মতাংদা য়ু পি এ সরকারনা টামিল নাদু সরকারনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা নলিনী শ্রীহরন, রোবার্ট পিয়াস, জয়াকুমার অমসুং রবিচন্দ্রন থাদোকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা থাবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা টামিল নাদু সরকারদা মীওইশিং অদু থাদোকপগী ৱাফম অদু চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ ৭ ফাওবা চৎনহন্দনা থমখিবনি।

---

অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## শিবগী চৈরাক

*মতম অমদগী মালেম লৈকোইপুংসিদা চত্থরকখিবা অমা ওইনামী হাৎপা অমদি শাথিবা ক্রাইম তৌবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবা হায়বসি পাক্তক্লনা চত্থখি। কায়নথংদদি মালেমগী লৈরিবা লৈবাকশিংগী তঙ্খায় হেনবনা শিবগী চৈরাক অসি কক্থৎখি। ক্রাইম মখল খুদিংগী ওইনা চৈরাক পীবদা শিবগী চৈরাক পিবা অসি লৈবাক ৮৬ তদি চংনখিদ্রে। ওর্দিনারি ক্রাইমদা শিবগী চৈরাক পীরম্বা লৈবাক ১১সু অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইমদা চৈরাক অসি চংনহনখিদ্রে, অদুবু ৱার ক্রাইম অমদি লৌতুনবগুম্বা মরালগীদি চৈরাক অসি চংনহল্লি। লৈবাক ২৫ দনা শিবগী চৈরাক অসি আইনদা চংনরি, অদুবু হায়রিবা লৈবাকশিং অসিনা অসিগুম্বা চৈরাক অসি হৌখিবা চহি ১০ হেনবা পিদনা লাক্লি। লৈবাক ৭৪ দনা শিবগী চৈরাক অসি ওফিসিয়েল ওইনা চংনরি। অদুবু মসিগী মনুংদা লৈবাক ৩০ য়ৌদনা চৈরাক অসি পীরি। ইং ২০০৫ দা লাইবেরিয়ানা শিবগী চৈরাক পীবা হায়বসি চংনহনখিদ্রে। অসিগুম্বা ফিরেপ লাউথোরকখিবা থা ২ লৈরগা কেন্নেথ বোইদ কৌবা অমা য়ু এস এ না শিবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা লৈবাকসিগী শিবগী চৈরাক ফংবসি মহাক্না ১,০০০ শুবা মীওই ওইখি। য়ু এস তা শিবগী চৈরাক পীখিবা মশিং অসিগী চাদ ৩৫ দি টেক্সাসতা পাংথোকখি।*

---

# অমেথিদা এএপিনা জাতিগী ফিরাল শিজিন্নবা থিংখ্রে

***লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ*** আম আদমী পার্টি অমসুং অমেথি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা য়েংথিনবগী ফিভম ৱাংখৎলক্লি। অমেথি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না এ এ পি গী কুমার বিশ্বাসপু শৌগৎপা কাংবুশিংনা পব্লিক মীটিংদা জাতিগী ফিরাল শিজিন্নবা য়ারোই হায়না অথিংবা থম্বগা লোয়ননা মীওই কয়া ফাজিনখ্রে।

কুমার বিশ্বাসকী লমদম অদুদা পাংথোকপা করপসন তৌবশিং ইন্থোকখ্রসি হায়বা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসুং মীফমদা পার্টি অদুবু শৌগৎপা মীওইশিংনা জাতিগী ফিরাল শিজিন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি। কুমার বিশ্বাস লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা এ পি পি গী টিকেট ফংদুনা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগা অমেথিদা লম্বা তৌনগদবা মীওইনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না এ এ পি গী অদুগুম্বা মীখলগী থবক থৌরমশিং অদুদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল ৱার্করশিংনা শিজিন্নদনবা অকনবা ৱাফম ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। থৌদোক অদু থেংহা খুঙ্গংদা এ এ পি না খোঙচৎ অমা পাংথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মীফম পাংথোকখি। মীফম অদুদা য়াওবা লাকখিবা মীওইশিংনা জাতি অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল শিজিন্নবা অদু দিভিজনেল মাজিষ্ট্রেট আর দি রামনা পাউ ফংখি।

এ এ পি শৌগৎপা মীওইশিং অদুনা পুদুনা লাকখিবা মচু অহুমগী ফিরালশিং অদু মুনবগা লোয়ননা কুমার বিশ্বাসতা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা জাতিগী ফিরাল অদু শিজিন্নবা য়ারোই হায়না খঙহনখি। মখোয়না মখা তানা বিশ্বাসতা হায়খিবদা হৌজিক ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরবনা অদুগুম্বা ফিরাল অদু মীয়ামগী মীফম অমসুং রেল্লিনচিংবদা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না ফোংদোকখি।



ওফিসিয়েলশিং অদুনা ফোংদোকখিবদা, রাহুল গান্ধী মফম অদুদা ফেব্রুৱারী ১৯ দা লাক্লমখি হায়নসু ফোংদোকখি। উত্তর প্রদেশতা সরকার পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কংগ্রেস পার্টিগী মায়োক্তা ভোট খোম্বগী থবক চত্থবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী হুকুম অদুনা খুদোংচাদবা কয়া এ এ পি দা থোকহল্লে হায়রি।

কুমার বিশ্বাসনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, হায়রিবা পার্টি অনি অদুনা চুংশিন্নদুনা এ এ পি গী করপসনগী মায়োক্তা চত্থবা খোঙজংশিংদা অকায়বা থোকহল্লে। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মচু অহুমগী ফিরাল পায়বদা অথিংবা লৈবগী অকক্লবা নিয়ম লৈতে। মদু দিল্লি মীখলদসু শিজিন্নখি। লোয়ননা অতোপ্পা পার্টি কয়ানসু জাতি অসিগী ফিরাল অদুমক শিজিন্নে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অদুগুম্বা ৱায়েল অদু ইনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

সমাজৱাদি পার্টিগী সরকার অদুনা কংগ্রেস পার্টিনা ফিরাল অদু শিজিন্নবগী মতাংদা কমপ্লেন অমা তৌরকপদগী অথিংবা অদু থমখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা অথিংবা অদু পার্টি অমখক্তদা থমগদৌরিব্রা নত্রগা পার্টি খুদিংমক্তা চৎনগদ্রা হায়বা ৱাহং অমসু লাক্লি। এ এ পি গী ৱার্করশিংগা কান্নদবা মওংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা চয়েৎনবা থোকহল্লে হায়না ফোংদোরক্লি।

---

# মুজাফরনগরগী কাংলুপকী ইরাংগী মতাংদা য়ুপি এসেমব্লি চত্থবা য়াখিদ্রে



***লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ*** মুজফরনাগরগী কাংলুপকী হিংশানা শোকহল্লবা মীয়াম খুন্দা–নৈতাহন্নবগী পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা বি জে পি অমসুং বি এস পি গী মেম্বরশিংনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা উত্তর প্রদেশ সরকারগী মথক্তা অকনবা ৱাফম ফোংদোক্লকখিবগা মরী লৈননা মীফম চত্থবা য়াদবদগী য়ৈথোকখ্রে।

য়ু পি গী ষ্টেট এসেমব্লি মীফমগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা কংগ্রেসকী মেম্বর অনুগ্রা নরায়ন সিংহনা কাংলুপকী ইরাং অদুদা মীওই কয়া শিখিবা অমদি কয়ানা শোকহনখিবগী চপ চাবা ৱাফম ফোংদোক্লবা লাওরকখি। মহাক্কী ৱাহং অদুগী পাউখুম ওইনা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর অজাম খাননা হাউসতা ফোংদোকখিবদা, ইং ২০০৯ দা থোকখিবা কাংলুপকী ইরাং অদুদা মীওই য়াঙ্খৈতরেৎ শিখি অদুগা মীওই ১৩৬ না অশোক অপন নংখি হায়না ফোংদোক্লকখি। অদুম ওইনমক পাউখুম অদুদা পেন্দ্রবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মেম্বর ছটিস মহনানা ফোংদোকখিবদা, মমাংগী মীফম্দা সরকার অদুনা হাউসতা ফোংদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী ইরাং ২৭ থোকখি হায়না ফোংদোকখিবনি। অদুগা ঙসি ফোংদোরক্লিবা ৱাফম অসিনা অদুগুম্বা ইরাং অদুগী থৌদোক ৪ খক্তংগী ৱাফম ফোংদোক্লে হায়না লাওরকখি।

হাউসকী ওপোজিসন লিদর স্বামি প্রসাদ মৌরিয়ানা সরকার অদুদা হংলদুনা হায়খিবদা, কাংলুপকী ইরাংশিংগী চপ চাবা ফিগর ময়েক শেংনা ফোংদোক্লদবনি। লোয়ননা আই বি না পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না লমদম অদুদা কাংলুপকী ইরাং ১১৫ থোকখি হায়না পল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোংদোরকখি।

মৌরিয়ানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, কাংলুপকী ইরাংশিং অদুনা শোকহল্লবা মীওই লিশিং কয়া পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা হিংলি। মুজাফরনগর অমসুং অতোপ্পা মফমশিংগী কাংলুপকী ইরাংশিং অদুনা শোকহল্লবা মীওই কয়া অহাংবা মফমদা ঙসি ফাওবা হিংননবা লৈরি। অদুগা সরকারনা ষ্টেট অদুদা থোকখিবা ইরাংশিংগী মতাংদা থৌশাদে হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

সরকারনা পীরিবা পাউখুম অদুদা পেন্দে হায়না মৌরিয়ানা সভাগী ময়াইদা চোংশিল্লকখি। লোয়ননা বি এস পি গী মেম্বরশিংসু চংশিল্লকপগা লোয়ননা সরকারগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওখি। বি এস পি গী মেম্বরশিং অদু সভাগী স্পিকর মতা প্রসাদ পান্দেনা হায়জবদগী মখোয়গী ফম্ফমদা হনজিনখি। খান কৌবা হাউসকী মেম্বর অমনা মুজাফরনাগরগী কাংলুপকী ইরাং অদুদা বি এস পি চেন্নে হায়না ফোংদোরকখি। লোয়ননা বি জে পি গী মেম্বরশিংদসু কাংলুপকী ইরাংদা চেন্নে হায়বা ৱাফমশিং ফোংদোক্লকখি। বি জে পি গী লুচিংবা সুরেশ রনানা এস পি অমসুং বি এস পিনা অদুগুম্বা কাংলুপকী ইরাং অদুদা শৌগৎখি। অদুম ওইনমক মুজাফরনগরগী কাংলুপকী ইরাংগা মরী লৈননা বি এস পিগী মীওই অমত্তগী মথক্তা এক্সন লৌখৎখিবা লৈত্রি হায়না ফোংদোরকখি।

মুজাফরনাগরগী কাংলুপকী ইরাংগা মরী লৈননা বি এস পিগী মীওই কয়াগী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রবগে হায়বদু খঙবা পাম্মী। লোয়ননা কয়ানা নেসনেল সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা পাখ্রবগে হায়নসু বি জে পি লেজিসলেটিভ পার্টিগী লুচিংবা হুকুম সিংহনা সভা ময়াইদা চোংশিন্দুনা ফোংদোকখি। ওইক্লিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা স্পিকর পান্দেনা মিনিষ্টরশিং অদুদা মথংগী নৈনগদবা হিরম অদু লৌখৎনবা খঙ্তহনখি। অদুম ওইনমক মেম্বরশিং অদুনা য়াদবদগী হাউস অদু য়ৈথোকখি হায়রি।

---

# ব্যুটিসিয়ান অমা ইজ্জৎ মাংহল্লি হায়বগী মরালদা একজিক্যুটিভ ওফিসার ১ ফারে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ*** চহি ২৭ শুরবী নুপী অমনা মহাকপু ইজ্জৎ মাহংনবীরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না দি এল এফ ফেজ – ৪ দা লৈবা মীওই অমা ফারে।

ফারবা মীওই অদু চহি ৪২ শুরে। মহাক গুরগাওনন্দা লৈবা মকোক থোংবা কন্সত্রক্সন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফার্ম অমদা সেনিয়ার একজিক্যুটিভ ওইনা থবক তৌবা মীওইনি। অদুগা নুপী অদুনা দিল্লিগী সকেটতা লৈবনি হায়রি। নুপী অদু ব্যুটিসিয়ান ওইনা থবক তৌরকখিবা মীশক্লি। পুলিসকী পাউদা মখোয় অনি করম তৌনা থেংনখিবনো অমদি করম তৌনা শাওনরকখিবনো হায়বা অদু খঙননবা হোৎনরি। মখোয় অনি মান্নবা ৱাখল্লোন্দা তিন্নরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ২.৪৫ রোম তাবদা নুপী অদুনা পুলিস কন্ত্রোল রুমদা ফোন তৌরক্তুনা হায়রকখিবদা, মহাকপু মীওই অমনা সেক্সুয়েল এসোল্ট চত্থবিরে হায়রকখি। পুলিসকী কাংবু অমনা নুপী অদুগী ফ্লেট অদুদা মিনিট ১৫ গী মনুংদা য়ৌখি। মতম অদুদা নুপী অদু



নিষানা ঙাওবগী ফিভম অমদা লৈরমখি। মহাকপু প্রাইভেট হোস্পিতাল অমদা পুখৎখি হায়না থিজিনবশিং অদুনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক ফাগৎলে।

প্রাইভেট হোস্পিতালদগী নুপী অদু সিভিল হোস্পিতালদা পুদুনা টেষ্ট তৌখি। পুলিসকী পাউদা নুপী অদু মেদিকেল রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইজ্জৎ মাংহনখ্রে হায়বদি লৈতে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোর্টকী সেক্সন ৩৭৬ কী মখাদা ফাগৎলে হায়রি। নুপী অদুগী মশাদা অশোকপগী দাগফমশিং লৈব্রা হায়বগী মতাংদদি পুলিসনা ফোংদোকউ হায়বা য়াখিদে। তুংদা নুপী অদুনা মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা মহাক্কী ৱারোল পীখি।

নুপী অদুগী ৱাকৎ অহানবা ওইনা তারে। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়রিবা মীওই অদু অমেরিকান সিটিজননি। মহাক মপুং ওইবা কন্সত্রক্সন ফার্ম অদুদা সেনিয়ার একজিক্যুটিভ ওইনা থবক তৌবা মীওইনি হায়রি।

---

# সিন্ধেগী মায়োক্তা থারকপা পিআইএল সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিদ্রে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ*** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ (আই পি এল) স্পোর্টস ফিক্সিংগী মতাংদা দিল্লি পুলিসকী থবক থৌরমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্ধেনা খুৎ থিংজিনখি হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা হিরম অদুদা সিবি আই বু থিগৎহন্নবা থারকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

চিফ জষ্টিস পি সথা সিভমনা লুচিংবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী বেঞ্চঅমনা ফোংদোকখিবদা, মেদিয়াশিংনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না অরুবা ৱাফম ওইনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু হিয়ারিং চত্থবা য়ারোই হায়না ফোংদোকখি। কোর্ট অদুনা কেস অদুবু থাঙ্গৎলকখিবা সিভকুমার ত্রিপাথিদা হায়খিবদা,চপ চাবা খুদম চংদম ফংদ্রবদি অদুগুম্বা কেস অদু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফোরম অদুদা থাঙ্গৎলরোইদবনি হায়খি।

ত্রিপাথিনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু মমাংদা বি জে পি গী লুচিংবা অমসুং হান্নগী হোম সেক্রেটরি আর কে সিংহনা ফোংদোকখিবা সুসিল কুমার সিন্ধেগী মথক্তা থিজিনগদবনি হায়বা ৱাফম অদুদা য়ুম্ফম ওইবগা লোয়ননা মেদিয়াশিংনা ফোংলকখিবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থাঙ্গৎলকখিবনি হায়রি।

---

# ইন্দিয়ান মুজাহিদিননা অকশরধাম লাইশঙদা টার্গেট তৌনবা থৌরাং তৌরি

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ*** দিল্লিগী অকশরধাম লাইশঙ অমসুং পুনেগী আর্মি কেন্টোনমেন্ট লমদমদা ইন্দিয়ান মুজাহিদিননা টার্গেট তৌরি হায়না নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা ইন্দিয়ান মুজাহিদিনগী কো ফাওন্দর য়াসিন ভটকাল অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মীওই অহুমগী চার্জসিটতা পল্লক্লি।

অনিশুবা ওইনা থাগৎলকখিবা চার্জসিট অদুদা এন আই এ না ভটকাল অমসুং মহাক্কা লোয়নবা অশাদুলা অকটারগী লেপটোপতগী ফংখিবা ৱারোলশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান মুজাহিদিননা হায়রিবা মফমশিং অদুদা অমাং অতা থোকহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না পল্লকখিবনি।

এন আই এ না ফংখিবা রিপোর্টতা পুনেগী কিরকি লমদমদা লৈবা লাম্নীগী কেন্টোনমেন্টকী ফোটোগ্রাফশিং য়াওরমখি। মদু রিয়াজ ভটকাল কৌবা মীওই অমনা অশাদুলা অকটারদা ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা ফোটোশিং অদু ইং ২০১২ গী জানুৱারী / ফেব্রুৱারী থাদা থারকখিবনি হায়রি। এন আই এ গী রিপোর্ট মতুং ইন্না ৱাকাজ অমসুং অশাদুলা মহারাষ্ট্রাগী অহমেদ নগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লোনি মেদিকেল কলেজগা নক্না লৈবা মফম অমদগী ফাগৎখিবনি হায়রি। এন আই এ না ফংখিবা ফাইল অদুদা অকশরধাম লাইশঙগী ফোটোসু য়াওরি। থিগৎপা অদুদা ফংখিবগী মতুং ইন্না ফাজিন্দুনা লৈরিবা মহম্মদ অহমেদ সিদিবাপা (য়াসিন ভটকাল)না মফম অদুদা চৎপগা লোয়ননা তুংদা মখোয়না চত্থগদবা এটেকশিংগী মরমশিং খঙদোকখি।

লেপটোপ অদুদা সেভ তৌরম্বা দাটাশিংগী মতুং ইন্না হায়রিবা মফমশিং অদুদা গুরিলা ৱারফিয়ার চত্থবা অমসুং মখল কয়াগী পোকখায়নবা মচাক মথুমশিং শিজিন্নদুনা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরমখি হায়রি। ফংখিবা রেকোর্দশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ময়েক শেংনা খঙলে মদুদি মীওইশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা মওংদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরমখি। এন আই এ গী রিপোর্ট অদু কোর্টতা ঙসি থাগৎখি। লোয়ননা মখা তাবা হিয়ারিং মার্চকী ৭ তা চত্থগনি হায়রি।



8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21

* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop

- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500 Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-

Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-

Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/

Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697

S.K .TECHNOLOGY

3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank

Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply